এসিয়া কপ হোক্কী ২০২২

# ইন্দিয়াদা থেংনা চনশিল্লকখিবা গোলনা পাকিস্তানগা ১-১দা দ্রো ওইখ্রে

জকর্টা, মে ২৩ (এজেন্সী):

ইন্দোনেসিয়ানা যূম্বু ওইদুনা জকর্টাদা পাঙথোকপা এসিয়া কপ মেন্স হোক্কী টুর্নামেন্টকী ঙসি জি বি কে হোক্কী ফিল্ডদা শান্নখিবা পুল এগী অহৌবা মেটচতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ইন্দিয়ানা পাকিস্তানগা ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

ইন্দিয়ানা শান্নবা হৌরকপগী ৮শুবা মিনটতগী কার্থি সেলভমগী মতেংনা লীদ তৌদুনা চৎলম্বা অদু অব্দুল রানানা মেটচ লোইরমদাই শান্নবগী ৫৯ শুবা মিনটতা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংদগী চনখিবা ইক্কেলাইজিং গোলনা ইন্দিয়াবু থম্মোয় কায়হনখিবনি।

ইন্দিয়ানা মথংগী মেটচতা জ পানগা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তান অনীনা শান্নখিবা মেটচতা পাকিস্তানগী মায়কৈদগী শান্নবা হৌরকপগী ৩শুবা মিনটতা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংদগী অহানবা গোল চনবগী তাঞ্জা ফংখি অদুবু মখোয়না নীংথিনা গোল ফাবা ঙমহৌদবদগী ইন্দিয়া হিংহৌখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কাউন্টর এটেক অমদা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংদগী নিলম সঞ্জিব জেসনা গোল ওন্থোক্লবা হোৎনখি অদুবু পাকিস্তানগী গোলকিপর অকমল হুসেননা নীংথিনা ফাদুনা অরেম্বা তাহনখি।

ইন্দিয়াগী নুপামচাশিংনা মখা তানা পাকিস্তানগী দিফেন্সতা প্রেসর পীদুনা পেনাল্টি কোর্নর অনী অমগা অহানবা ক্বার্টরগী শান্নবদা ফংবা ঙমখি। অনীশুবা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অদুগী মতেংদগী কার্থি সেলভমনা শান্নবগী ৮শুবা মিনটতা গোল ওন্থোক্তুনা মহাক্কী অহানবা ইন্টরনেসনল গোল চনবা ঙমখি।

মখা তানা পাকিস্তানগী মায়কৈদগী গোল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনদুনা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংবা ঙমখি অদুবু গোল ওন্থোকপা ঙমদনা অরেম্বা তাখি। অনীশুবা ক্বার্টরগী শান্নবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী গোল হাপচিনবা য়াবা তাঞ্জা অমা পাৰন রাজভরনা পোইন্ট ব্লেঙ্ক রেঞ্জতগী শাফু কন্না য়ৈশিল্লকখিবা বোল অমা পাকিস্তানগী গোলকিপর হুসেননা নীংথিনা ঙাকথোক্তুনা অরেম্বা তাহনখি। অহানবা হাফ লোইরমদাই ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা বিষ্ণুকান্তনা কান্নদবা টেক্কল অমা তৌনবা হোৎনরুবদা পাকিস্তাননা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমা গোল ওন্থোকপা ঙমদবগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানবু ১-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অহুমশুবা ক্বার্টরদা পাকিস্তানগী ফংখিবা অহুমশুবা পেনাল্টি কোর্নরগী রিজৱান অলিনা য়ৈরকখিবা শোট অদু গোল পোষ্ট নাকন্দা চৎখিবদগী অরেম্বা তাখি। মখা তানা অব্দুল রানানা ক্লোজ রেঞ্জতগী শাফু কন্না য়ৈশিল্লকখিবা শোট অমা ইন্দিয়াগী গোলি সুরজ কর্কেরানা নীংথিনা ফাদুনা অরেম্বা তাহনখি।

মেটচ লোইগদবা মিনট২ ৱাৎলিঙৈ পাকিস্তানগী ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমা অব্দুল রানানা গোল ওন্থোকপগা লোয়ননা ইক্কেলাইজ গোল চনশিন্দুনা ১-১দা দ্রো ওইখিবনি।

অমরোমদা, পুল এগী মেটচ অমদা জপাননা ইন্দোনেসিয়াবু ৯-০দা অদুগা পুল বিদা মলেসিয়ানা ওমানবু ৭-০দা মায়থীবা পীখ্রে।



# থোমাস কপকী ৱিন্নিং কন্টিঞ্জেন্টশিংদা কেশ এৱার্দ খূৎশিন্নখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ২৩ (এজেন্সী):

থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোকতা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা থোমাস কপ ফাইনেলদা মায় পাক্তুনা নৌনা পুৱারী শেন্বা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপা টিমদা বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা লুপা ক্রোর ১গী শেলগী মনা খূৎশিন্নখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিমনা লৈবাক অসিদা হেক থুংলবগা ন্যু দেল্লীগী সিটি হোটেলদা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা পাঙথোকখিবা কেশ এৱার্দ খূৎশিন্নবগী থৌরমদা বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা ইন্দিয়া টিমদা লুপা ক্রোর ১গী মনা খূৎশিন্নখিবগা লোয়ননা সপোর্ট ষ্টাফশিংদসু লুপা লাখ ২০গী শেলগী মনা খূৎশিন্নখি।

বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট হিমন্ত বিস্বশর্ম্মনা ইন্দিয়া টিমনা পূৱারী ওইহৌরগদবা মায় পাকপা অসিদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদুদা বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরি সঞ্জয় মিশ্রা, নেসনলগী চীফ কোচ পুলেলা গোপিচান্দ অমদি তোঙান-তোঙানবা বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি।

নীংশিংবা য়াবদি, ইন্দিয়া টিমনা ফাইনেলদা ১৪রক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা ইন্দোনেসিয়াবু মায়থীবা পীদুনা চহী ৭৩ অসিগী মনুংদা অহানবা ওইনা থোমাস কপ টাইটল লৌদুনা পুৱারী শেন্বা ঙমখিবনি।

মায় পাকখিবা ইন্দিয়া টিমদা য়াওখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি লক্ষ্য সেন, কিদম্বী শ্রিকান্থ, সিরাগ সেটি, সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দিনি। অতোপ্পা মেম্বরশিং অদুনা ঐচ এস প্রনোই, এম আর অর্জুন, কৃষ্ণ প্রসাদ গরাগা, দ্রুব কপিলা, বিষ্ণুভর্ধন গৌর পঞ্জালা অমদি প্রিয়ানকা রাজাৱটনি।




টি কে দব্লিয়ু এ ট্রোফি

# জি-৫না সঙাইকোল এফ সী মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস):

তেন্থা খোংবাল ৱেলফেয়র এসোসিএসন (টি কে দব্লিয়ু এ)না শীন্দুনা তেন্থা মল্টিপ্লেক্স গ্রাউন্দদা চথরিবা টি কে দব্লিয়ু এ ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচ অমদা জি-৫ হৈরোকনা সঙাইকোল এফসী খেকমনবু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি। অনীশুবা হাফকী শান্নবদা কৃশান্দননা শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা হৈরোক্কী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা ননাওনা শান্নবগী ৩৩ শুবা মিনটতা হৈরোক্কী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা খেকমন টিমবু ২-০দা মাংজিল থাখি।

বাখমনা শান্নবগী ৩৭ শুবা মিনটতা সঙাইকোলগী গোল অমা চনশিন্দুনা স্কোর ১-২দা লৈহনখি। মেটচ লোইরমদাই প্রেমজিৎনা শান্নবগী ৪৮ শুবা মিনটতা হৈরোক্কী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা রোশননা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা গোল ১গা হাপচিন্দুনা জি-৫না সঙাইকোল এফ সীবু ৪-১দা মায়থীবা পীখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি অনুশনা মায় পাকখিবা হৈরোক টিমগী কবিরাজ অমদি রোশন অদুগা সঙাইকোলগী জেমিসপু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়াইওইবী এফ সী লমজাও অমদি মৈরা এফ সী তেকচম গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখ্রে।

মেটচ অসিদা রেফরি এ কে তুনেশ্বরনা শান্নরোয় অনী লমজাওগী নিলকান্ত অমদি মৈরা এফসীগী ওকেন শান্নবগী ৪১ অমদি ৪২ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি। মেটচ অসিদা এস ঐচ রোবিন্সন অমদি এল রঞ্জিৎনা এসিস্টেন্ট রেফরি, এম দি অনাস খাননা ফোর্থ ওফিসল অদুগা টি ঐচ সঞ্জিৎকুমারনা মেটচ কম্মিস্নর ওইনা শরুক য়াখি।

ওল লমকাং স্পোর্টস মীট

# চয়াং অমদি রালরিনখু, থল্লাপোকপী অমদি হাইকা খুবুল সেমীফাইনেলদা থেংনরগনি

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস):

লমকাং কুরচুকনাও কুনপুন (এল কে কে)না শীন্দুনা অংখেল চয়াং গ্রাউন্দদা চথরিবা ৫৬শুবা ওল লমকাং স্পোর্টস মীট ২০২২গী ফুটবোল মশান্নগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা অংখেল চয়াং, পি রালরিনখু, থল্লাপোকপী অমদি হাইকা খুবুল সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

অংখেল চয়াংনা পি রালরিনখুগা অহানবা সেমীফাইনেলদা অদুগা থল্লাপোকপীনা হাইকা খুবুলগা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা থা অসিগী ২৬কী নুংথিল পুং ১ অমদি ৩দা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী ভোলিবোল মশান্নগী ওইনা ফাইদাম, লাইকটলা, থল্লাপোকপী অমদি হাইকা খুবুল সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

অংখেল চয়াং গ্রাউন্দদা ঙসি অয়ূক শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা অংখেল চয়াংনা সেক্টাই কারোংবু ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

দি বি রেংহোননা শান্নবা হৌরকপগী ৩শুবা মিনটতা যূম্বু টিম চয়াংগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্লা মখা তানা শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি অদুগা মেটচ লোইরমদাই অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৭৮ শুবা মিনটতা মহাক্কী হেটট্রিক গোল অমদি মায় পাকপগী মঙাশুবা গোল চনবা ঙমখি।

এস কে বুংহোংনা শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা চয়াংগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। সেক্টাই কারোংগী এস কে খুমরিংনা আউন গোল অমা শান্নবগী ২৭শুবা মিনটতা চনশিন্দুনা চয়াংগী ৩শুবা গোল ওইখিবনি।

অতোপ্পা নুংথিল শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা থল্লাপোকপীনা লাইকটলাবু ২-১দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙল্লকখিবনি।

কে ক্লিন্টননা শান্নবগী ২০ অমদি ৫০ শুবা মিনটতা থল্লাপোকপীগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু চনবা ঙমখি। এস কে খালৱারনা শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা লাইকটলাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি মিন্থাবিরনা থল্লাপোকপীগী জে দোমিনিক অমদি লাইকটলাগী জে এন ৱাংটিট শান্নবগী ৭৯ অমদি ৭৬ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা পি রালরিনখুনা খুইবোংবু লাকচনা ৫-১দা মায়থীবা পীখি।

রালরিনখুগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু বুংরিংনা শান্নবগী ১৪, ৫৫ অমদি ৬২ শুবা মিনটতা গোল ৩ অদুগা দারঙম অমদি ৱাংটোংনা শান্নবগী ৪৭ অমদি ৭২ শুবা মিনটতা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি। খুইবোংগী গোল ২ অদুনা এল ভি অনন্দনা ১১ অমদি ৫২ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি নুমিদাংৱাইরম শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টরদা হাইকা খুবুলনা চালোংবু ৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

এস কে কমনিংৱারনা গোল ২ অদুগা দি রেংশিংঙম, দি রোবর্ট, টি ঐচ রেংদোন অমদি এস এন অংপোলনা গোল অমমম্ হাইকাগী চনখি।

অমরোমদা, ভোলিবোল মশান্নগী নুপীগী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা ফাইদামনা অংখেল চয়াংবু ৩-১, লাইকটলানা কোটাল খুন্থকপু ৩-০, থল্লাপোকপীনা বেটুক কবারখুবু ৩-২ অমদি হাইখা খুবুলনা চালোংবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

নুপাগী প্রিক্বার্টর মেটচ অমদা চালোংনা হাইখা খুবুলবু ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।



# ষ্টেট যোগ টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস):

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোলাঘাটতা লৈবা কোলা যুনিয়ন হায় স্কুলদা থা অসিগী ২৬ তগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৫শুবা নেসনল যোগসনা চেম্পিয়নশিপ ২০২২দা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াগদবা মীওই ৭০না শাবা ষ্টেট যোগ টিম ঙসি তমেংলোংগী ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী চেয়রমেন নমসেনরৈ পানমৈনা ফ্লেগওফ তৌদুনা লমথাখ্রে।

ষ্টেট টিম অসিগী মনুংদা বি বি পোল মেন্টেল দিভলপমেন্ট ৱিমেন্স মোংশাঙ্গৈগী মহৈরোয় ৮ অমসুং ওজা ৪সু শরুক য়ারি হায়না যোগ ফিজিক ইন্সটিট্যুট এন্দ ষ্টদিজ মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. জি সত্যভামানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# সঙাই ট্রোফি ঙসিদগী মখা চথরগনি

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস):

য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ৪শুবা সঙাই ট্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং চুখিবনা মরম ওইদুনা য়ৈথোক্তুনা লাকখিবা অদু থা অসিগী ২৪দগী মখা চথরগনি হায়না ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী কনভিনর ও অজিৎকুমারনা খঙহল্লক্লি।

থা অসিগী ২৪দা গ্রুপ এগী মেটচ অনী শান্নগনি। অহানবদা নুংথিল পুং ২দা টি বি এস এফ এ তৌবুংখোক অমদি ফুটবোল লভর্স এসোসিএসন মণিপুর থেংনগনি। অনীশুবদা নুংথিল পুং ৩দা ওল থাংমৈবন্দ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন অমদি ভেটরান সোক্কর এসোসিএসন সোরা লম্বা তৌনরগনি।

# ষ্টেট টিমগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস):

হিরো ৱিমেন্স জুনিয়র (অন্দর-১৭) নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবা ষ্টেট জুনিয়র গর্লস টিম শেম্নবগী ট্রায়ল কম কোচিং য়ৈথোক্তুনা লাকখিবা অদু থা অসিগী ২৫দা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা খঙহল্লক্লি।

শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংনা টিম মেনেজর টি ঐচ খুঞ্জাঙানবী অমদি কোচ আর কে জানকিবালাদা নুমিৎ অসিগী অয়ূক পুং ৮দা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা মখোয়-মখোয়গী কিটশিংগা লোয়ননা রিপোর্ট তৌরনবা মখা তারক্লি।

# ট্রেনিংগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস):

পঞ্জাবকী পটিয়ালাদা লৈবা পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটিগী দলবির ফুটবোল একাদেমিদা ট্রেনিং তৌগদবা ষ্টেটকী শান্নরোয় ৪০ ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

শান্নরোয়শিং অদু ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী একাদেমি অসিনা ট্রায়ল পাঙথোক্লবা মতুং খনগৎখিবনি। চহী ১৮গী মখাগী কাঙলূপ্তা শান্নরোয় ১২ অদুগা চহী ১৫ মখাগী কাঙলূপ্তা শান্নরোয় ২৮ খনখি।

শান্নরোয়শিং অদু বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম কুমারজিৎনা বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী লমথাখিবনি।

# চিত্তরঞ্জন ওফিসল ওইনা খল্লক্লে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস):

হরয়ানাগী পঞ্চকুলাদা চহী অসিগী জুন ৪দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪শুবা খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমস ২০২১গী বেদমিন্টন ইভেন্ট কন্দক্ট তৌনবা বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা ষ্টেট অসিদগী নেসনল রেফরি অমদি হান্নগী ইন্টরনেসনল অম্পায়র জি এ চিত্তরঞ্জনবু নেসনল টেক্নিকেল ওফিসল ওইনা খল্লক্লে।

বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী নেসনল টেক্নিকেল ওফিসল ২১ খনবগী মনুংদা য়াওরকখিবনি।

অমরোমদা, মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি নাওরেম শ্যামকুমারনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ষ্টেট অসিদগী জি এ চিত্তরঞ্জনবু খল্লকপা অসি মণিপুরগী ওইনা চাওথোকচনিংঙাইনি হায়রকখিবগা লোয়ননা মহাকপু য়াইফ থৌজাল পীরক্লি।

চিত্তরঞ্জননা গেমস অসিগী বেদমিন্টন ইভেন্টকী চীফ রেফরি ওইরগনি। মহাক পঞ্চকুলাগীদমক চহী অসিগী জুন ২দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

# ককচীং দিষ্ট্রিক্ট সুব্রোটো ফুটবোল ঙসিদগী হৌরগনি

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস):

দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস থৌবালনা শীন্দুনা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট সুব্রোটো মুখর্জী ফুটবোল টুর্নামেন্ট ফোর অন্দর-১৪ এন্দ অন্দর-১৭ থা অসিগী ২৪দগী কৈরক অৱাং লৈকাই কাংজৈবুংদা পাঙথোক্লগনি।

চহী ১৭কী কাঙলূপ্তা টিম অহুম-ককচীং পব্লিক স্কুল, ৱাবগাই হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমদি পি আর ইংলিশ স্কুলনা শরুক য়ারগনি। চহী ১৪ মখাগী কাঙলূপ্তা টিম মরি- মার্টিন গ্রমার ইংলিশ স্কুল ককচীং, ককচীং পব্লিক স্কুল, সনাতোম্বী হায় স্কুল কৈরক অমদি পি আর ইংলিশ স্কুল ককচীংনা শরুক য়াগনি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হৌদোক্কদবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা নুমিৎতা চহী ১৭ মখাগী মেটচ অমা অমদি চহী ১৪ মখাগী মেটচ অনী শান্নরগনি।

# ষ্টেটকী বোক্সর ৭ নেসনল চেম্পিয়নশিপকী ক্বার্টর চঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস): কর্নাটাকাগী বেলারিদা চথরিবা নেসনল সব-জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ষ্টেটকী নুপী বোক্সর ৪ অমদি নুপা বোক্সর ৩ ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রবা নুপী বোক্সরশিং অদুদি অহৈবম থোইবীসনা (কেজি ৪০), লোংজম রাধামণি (৪৬), নিংথৌজম অঞ্জলি (৫০) অমদি চিরোম জয়শ্রী (৬০)নি। নুপা বোক্সরশিং অদুনা থিঙোম রিশি (৪০), কোঞ্জেংবম রাকেশ (৫২) অমদি প্রভিন নাওরেম (৫৫)নি।



HL-B/7641/12/5-9/7

# কমনৱেল্থ গেমসতা শুটিং ইভেন্ট লৌথোকখিবগী ইন্দিয়া টিমনা বোইকোট তৌনবা খন্নগদবনি : মনু ভাকর

ন্যু দেল্লী, মে ২৩ (এজেন্সী):

কমনৱেল্থ গেমসতগী শুটিং ইভেন্টপু য়াওহল্লক্তবগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবা ওইনা ইন্দিয়া টিমনা গেমস অসিবু বোইকোট তৌনবা খন্নগদবনি হায়না ইন্দিয়াগী পিষ্টোল এস মনু ভাকরনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াদা চাওনা শাফূ পীবা ওইনা শুটিং খক নৎতনা রেষ্টলিং অমদি আর্চরি ইভেন্টসু ২০২৬তা অষ্ট্রেলিয়াদা পাঙথোক্কদবা কমনৱেল্থ গেমসকী স্পোর্টসকী ইনিসিএল লিষ্টতগী লৌথোকখ্রে।

ইন্দিয়ানা শুটিং ইভেন্ট অসিদা মেঞ্চেষ্টরদা পাঙথোকখিবা ২০০২ এদিসনদগী হৌনা ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীদুনা লাক্লবসু লাক্কদৌরিবা বর্মিংঘমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০২২ কমনৱেল্থ গেমসকী শরুক অমা ওইখিদ্রে। গেমস অসিগী ২০২৬কী এদিসনসু অষ্ট্রেলিয়াগী ভিক্টোরিয়াদা পাঙথোক্লবগী হোষ্টিং রাইটসসু পীখ্রে।

ভাকরনা পি টি আইদা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়া টিমনা শুটিং ইভেন্ট অসিবু লৌথোকখিবগীদমক য়াম্না পোঙনা কমনৱেল্থ গেমস অসিবু বোইকোট তৌগদবনি। শুটিং ইভেন্ট লৌথোকখিবা অসি অচূম্বা খোঙথাং নত্তে হায়খি।

য়ুঠ ওলিম্পিক্স অমদি কমনৱেল্থ গেমসকী গোল্ড মেদলিষ্ট ভাকরনা মখা তারদুনা শুটিং ইভেন্ট অসি ২০২২ কমনৱেল্থ গেমসতগী লৌথোকখিবা অসি অচূম্বা খোঙথাং নত্তে। কমনৱেল্থ গেমসতগী ইন্দিয়া টিমনা ৱিদ্রো তৌবা অসিনা মখোয়দা অচৌবা সিগ্নেল অমা পীবা ঙমগনি হায়খি।

নীংশিংবা য়াবদি, ভাকরনা হন্দক্তা জর্মনিগী সুলদা পাঙথোকখিবা আই এস এস এফ জুনিয়র ৱর্ল্ড কপতা গোল্ড মেদল ৩ অমদি সিলভর মেদল ২ পূন্না মেদল ৫ ফংবা ঙমখিবনি। মমাংগী এদিসনদা ইন্দিয়াগী শুটরশিংনা মেদল ১৬ ফংবা ঙমখিবনি।



HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 462

Sjoerd Van Roon (2264) - IM H Grooten (2286)
12th WLC Weekender 2022 Eindhoven NED, 2022.05.14

1.e4 c5 2.Nf3 e6 3.d4 cxd4
4.Nxd4 a6 5.Bd3 Nf6 6.Nc3 d6
7.Be3 Nbd7 8.g4 h5 9.g5 Ng4
10.g6 Nde5 11.gxf7+ Kxf7 12.Nf3 Nxf3+
13.Qxf3+ Qf6 14.Qe2 Nxe3 15.fxe3 Qh4+
16.Kd2 Be7 17.Raf1+ Kg8 18.Rhg1 e5
19.Bc4+ Kh7 20.Rf7 Bg4 21. ...

QUESTION :
White to win

Puzzle 461 Ans. :

35. Qxa8 Qe6 36. Rd8 h6 37. Rxf8+ Kh7 38. Rh8+ Kg6 39. Qxa3 Qe2 40. Qd6+ f6 41. Qf4 Qf1 42. Qg4+ Kf7 43. Qd7+ Kg6 44. Qe8+ Kf5 45. Qh5+ g5 46. Qf3+ Kg6 47. Qe4+ Kh5 48. Qe8+ Kg4 49. Qe6+ Kh5 50. g4+ Kxh4 51. Rxh6#
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com